# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-07-2025)**

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী পুলিস পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ৱাংঙু নাউদাখোংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, মেগজিন অনি অমদি মরু অনি ফংলে।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মাউভোম ভিলেজতা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মেগজিনগা লোয়নবা এ.কে. রাইফল অমা, লেথোদ গন অমা, মেগজিনগা লোয়নবা পিষ্টোল মরি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, ষ্টেন করবাইন অমা, পোম্পী মরি, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্সকী নোংমৈ মরু তরুক, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্সকী কাপথোকখ্রবা টোকিং তরুক, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল মরু খরা, মেগজিন ৯, পোম্পীগী মরু অহুম, টুয়েল্ভ গোজ তরুক, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী বি.দি.আর. অনি, এস.এল.আরগী মেগজিন তরুক, বুল্লেট প্রুব জেকেট, হেলমেট, ৱাকিং তোকি সেট খরা অমদি জঙ্গল বুথনচিংবা কয়ামরুম ফাগৎলে।

মরক অসিদা, মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি অরান অহুই তৌবা মীওইশিং ফানবা পুলিসনা অকনবা থবক লৌখৎলি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা বামোন কম্পু ময়াই লৈকাইদগী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী মেগজিনগা লোয়নবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অমা, এ.কে. রাইফলগী মরু অমা ফংলে।

চে-চাং শুদনা গাড়ি থৌরকপা মীওইশিংদগী পুলিসনা চলান ৮৮ কক্তুনা

লুপা লাখ অমা লিশিং ৪২ খোমগৎলে। নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুদুনা লাকপা গাড়ি ৫৮ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে।

**চান্দেল(এল) ঃ** প্রধান মন্ত্রি স্কুলস ফোর রাইজিং ইন্দিয়া (পি.এম. শ্রী) গী মখাদা চান্দেলগী জৱাহর  নবোদিয়ানা শিনদুনা নোংমগী ওইবা মহৈরোইশিংবু লৌউ-শিংউবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা তাকপী তম্বীবগী থৌরম 'হেন্দস ওন লর্নিং' ঙরাং চান্দেল জিলাগী সরৈ খুলগী লৌকোলদা পাঙথোকখ্রে।

জে.এন.ভি. চান্দেলগী প্রিন্সিপাল-ডা: অমরসন সংখিলনা হায়-হকথেংননা থবক তৌদুনা মহৈ তম্বা হায়বা ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা মহৈরোইশিংবু লৌউ শিংউবগী পারা অমগা মরি লৈননা লৌফমদা চৎতুনা লৌউ-শিংউগী থবকশিংগী মতাংদা হকথেংননা মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা পীবনি।

**ত্রাইবেলঃ** লৈবাক অসিগী ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা খুঙ্গংশিংগী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎনবা কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ৭৯ কায়থোক্লে।

ধরতি অবা জন ভগীদারি অভিয়ানগা মরী লৈননা গৱাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱাফম অসি কেন্দগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রি-জ্ৱাল পোরমনা লাউথোকখিবনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা হৌজিক ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা খুঙ্গং লিশিং ৬৩ লৈ। খুঙ্গংশিং অদুগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া সরকারনা পায়খৎলি। গৱা খক্তদা ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা খুঙ্গং ২৫ মশক খঙদোক্লে। খুঙ্গংশিং অদুগী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎনবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা গৱাগী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: প্রমোদ সাৱননা হায়-রাজ্য অদুগী ত্রাইবেলশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা ত্রাইবেল ৱেলফিয়ার বোর্ড শেমলে। মখোয়না লৈরিবা লমশিং অদুগী লেন্দ রাইটস সার্টিফিকেট লিশিং

৩,৫০০ তোঙান তোঙানবা ত্রাইবেল মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। কেন্দ্র সরকারনা ত্রাইবেলশিংগীদমক পায়খৎপা স্কিম কয়া রাজ্য সরকারনা নীংথিনা পায়খৎলি।

**পিএমঃ** ভারত অমসুং ঘানা লৈবাক অনিগী মরি অসি পনখৈ হায়বা অমা লৈতবা শিংথানিংঙাই ওইবা মরুপ-মপাং ওইবগী মরী অমনি হায়না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা শিংথাখ্রে।

রি-পব্লিক ওফ ঘানাগী পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারত অসি গনতন্ত্রগী হৌরকফম ওইবনা থবক খুদিংমক গনতন্ত্রিক ওইবা মওংদা পায়খৎপগী অপান্বা লৈ। ভারতকী গনতন্ত্র অসিদি চুমগী থৌশিল অমখক নত্তে। মসিদি মীওইবগী ফংফম থোকপা হক অদুনি। রি-পাব্লিক ওফ ঘানানা গনতন্ত্রগী ৱাহন্থোক খঙনা ভারতকা মতম কুইনা মরুপ-মপাং ওইবগী মরী শাগৎলকপদা প্রধান মন্ত্রিনা অপেনবা ফোংদোকখি। ঘানাগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওফিসার ওফ দা ওর্দর ওফ দা ষ্টার ওফ ঘানাগী মনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিা পীরকপদা অপেনবা ফোংদোল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-মনা অসিনা ভারত মচা খুদিংমক্কী নুঙগী ৱাখল্লোন অদু ঘানা লৈবাকনা নীংথিনা খঙই হায়বদু উৎলে। মনা অসি মহাকা ভারত অমসুং ঘানাগী নহাশিংদা কৎথোক্লে হায়না লাউথোকখি। মসিনা লৈবাক অনিগী মরী মখা তানা ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়বগী থাজবসু ফোংদোকখি।

**হিমাচলঃ** নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা হিমাচল প্রদেসতা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-রাজ্য অদদা থা অসিগী ৯ ফাওবা লেপ্তুনা নোং চুখিগনি। রাজ্য পুন্বদা মেট দিপার্টমেন্টনা য়েল্লো এলার্ট লাউথোক্লে। অকাশবানি পাউমীনা হায়-হৌখিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা রাজ্য অদুগী মন্দি জিলা খক্তদা বজ্র তাবগী থৌদোক ১৩ রক থোকখি। মদুনা মরম ওইদুনা মীওই ১৪

শিরে, ৩১ অমনা হৌজিকসু ঈচাওনা মরম ওইদুনা থিবা খঙদ্রি। হৌজিক ফাওবদা এন.দি.আর.এফ. অমদি এস.দি.আর.এফনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি। মীওই ৩৪৮ শাফগদবা মফমদা হোংদোকহনখ্রে। মন্দি জিলাদা লৈবা হোর্টিকলচর কলেজগী মহৈরোই ৯২ শাফগদবা মফমদা হোংদোকহনখ্রে, খরা অমনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে। হৌজিকসু চিং নিংখায়বা অমসুং ঈশিং থুমজিনখিবদগী রাজ্য অদুগী লন্বী ২৪৬ চৎপা য়াদনা লৈরি।

ৱাটর সপ্লাই স্কিম ৭৮৪ মথৌ তৌবা য়াদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থকবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োকরে। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু অকনবা নোং চুগদবা মরমনা মীয়ামনা য়ুম য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈনবা মেট দিপার্টমেন্টনা খঙহল্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সু শাংদোক্তনবা লপশিংনা তকশিনখ্রে, ইরাং থোকহন্দনবা সাইন তৌনবনি, ইরাং শাগৎপশিং য়োকখৎনবা নত্তে হায়না লুপশিংনা থল্লকপা ৱাফম অসি সঙাই এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি মনিপুর মেলগীসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

লাঞ্জেন্নরবশিংগী য়াইফনবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না পীশিনখিবা মেমোরেন দমশিং থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না চুরাচান্দপুরগী মীতৈশিংনা গভনর-অজয় কুমার ভালাদা তকশিনখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি-রিলিফ কেম্প ৪৬ তা আই.দি.পিশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থবা হৌখ্রে হায়না সব হেদলাইন পীবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা খোঙফম হল্লোই হায়না সি.এম.য়ু.সিগী

কো-কনভেন্নর-নিংথৌজম নবানা ফোংদোকখিবা ৱাফম মেন হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি সনা লৈবাক্তা-লৈঙাক্কী থৌশিল পেন্দবদগী আই.দি.পিশিংগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লক্কদৌরি। তাল্লিবা দিমান্দ থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা খোঙজং হন্দোক্লোই হায়না কমিতিনা থল্লকপা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

লৌমী অমসুং মীয়ামগী থৱায় ওইরিবা লৌউ-পন্থা, সুগ্ এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদা লৌ উবদা কিবা লৌবুক অমত্তা লৈত্রে, লৌ লোইনা পাল্লে হায়না এম.এল.এ. রঞ্জিৎনা ফোংদোরকপা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ফ্লায়িং স্কাউট, ক্বিক রেস্পোন্স টিম শেমখ্রে, লৌ পান্নবগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়বা পুলিসকী ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন, তমেংলোং টাইমস, গানফিয়ু মেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

থা অসিগী ২১ দগী হৌদুনা আগষ্ট ২১ ফাওবা পার্লিয়ামেন্টকী মোনশুন সেসন পাঙথোক্লগনি। সেন্টরনা থা অসিগী ১৯ দা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম কৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

কুকি খুৎলায় পায়বশিংগা থমরিবা সসপেন্সন ওফ ওপরেসন মখা চথ্নদনবা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা লুপ মরিনা হোম মিনিস্তর-অমিত সাহদা তকশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকীসু অহানবা হেদলাইন ওইরি।